ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯃꯦ ꯲꯰, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯵꯵ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

য়ূমশকৈশা, মে ২০, ২০২০, ইম্ফাল

৪৪শুবা চহী, ৫৫শুবা মশীং

# পাউমী কয়া খুদোংথীবা মায়োক্লরকপা

## মণিপুরদসু পাউমীশিং তন্বা ঙমদবা ফীভম অমদা মথৌ তৌরি

লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা টেলিভিজন ন্যুজ চেনেল 'জী ন্যুজ' দা থবক তৌবা মীওই ২৮ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়রিবসি লাইবক থীবনি হায়না লৌফম থোকই। ন্যুজ চেনেল অসিগী এদিটর-ইন-চীফ সুধির চৌধরিনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা ইমপ্লোয়ী অমা পোজিটিভ ওইরে হায়বা খঙলকপদগী মীওই অদুগা নকশিন্নরুবা অতৈ মীওইশিংগী খোঙ্গুল লীদুনা লাকপদা অতোপ্পা ইমপ্লোয়ী কয়াসু পোজিটিভ ওইরে হায়বা খঙলকপনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা মখল অমত্তগী লাইওং উৎথোরক্তবা মরম্না মীওইশিং অদু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়বা কনামত্তনা খঙবা ঙম্লমদবনি। হান্দক্তসু টেলঙ্গনাগী পাউমী অহুম কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়বা খঙলকখ্রবনি। টেলুগু টেলিভিজন চেনেল অমদা থবক তৌবা পাউমী অহুম অদু লায়েংনবা টেলঙ্গনা গভর্ণমেন্টনা লুপা লাক্ষ ১২ কাইথোকখি। মমাঙ থাদসু লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা মথৌ পাঙথোক্লিবা পাউমী কয়া খুদোংথিনীংঙাই ওইরবা লায়না-লাইচৎ অসি পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখি। মমাঙ থাগী ২০দা বৃহনমুম্বাই ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসননা টেলিভিজন জর্নেলিষ্ট ১৬৭ টেষ্ট তৌবদা মীওই ৫৩ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরমখি। টামিল নাদুদসু টেলিভিজন জর্নেলিষ্ট ৩০ পোজিটিভ ওইবগী থৌদোক থোকপা লৈখ্রবনি। পূম্নমক অসিগী মথক্তা মিদিয়া হাওস পূম্নমক্কী ইনকম হন্থখিবনা পাউমী কয়া থবক লৌথোকখিবা, তোলোপ হন্থবা অমসুং 'লীভ ৱিদাওট পে' দা ছুটি পীথোকখিবগী থৌওং মফম খুদিংমক্তা উবা ফংলি। মতৌ অসুম্না মালেমগী মফম পূম্নমক্তা কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা জর্নেলিজম ইন্দষ্ট্রিদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরে হায়বসি পূম্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। তৌবগীবুদি লায়র-ইনাকখুনবা খায়দনা মীপূম খুদিংমক্তা কোভিদ-১৯না চৈথেং পীরক্লে হায়বা য়াই। কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবা হোৎনবদা মাঙজিল থানা মথৌ পাঙথোক্লিবা হেল্থকেয়ার ৱর্করশিং, নোংমগী অফং-অফংবা থবক শূরগা ইমুং পুরিবা মীওইশিং, লন্মী নাকলদা মনা-মশিং য়োল্লগা মচা-মশু থাক্লিবা মীওইশিং, মীয়াম্বু অশোয়-অঙাম থোকহন্দনবা থৌরাং লৌখৎলিবা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং অমসুং মীপূম খুদিংমক্তা অচুম্বা ঈ-পাউ ফংহনবগী থৌদাং লৌরিবা পাউমীশিং চপ মান্নবা মওংদা খুদোংথীবা মায়োক্লরি।

মীপূম খুদিংমক চপ মান্নবা মওংদা চৈথেং ফংলি হায়বা তারগসু জর্নেলিজম ইন্দষ্ট্রিনা তোপ-তোপ্পা চৈথেং অমা ফংলি হায়বা য়াই। এদভর্টিজমেন্ট ফোঙবগী চাং হন্থখিবা মরম্না তোঙান-তোঙানবা মফমদা ফোঙলিবা লোকল পাউচে অয়াম্বা শেল-থুমগী অৱাবা মায়োক্লরি। টর্কি, ইজিপ্ট, ইন্দিয়া, বাংলাদেশ, ইরাক, ইরান, নাইজেরিয়া, ইথিওপিয়া, কেনিয়া, জিম্বাবৱে, ভেনিজ্যুয়লা, বেলারস, মোন্টিনিগ্রো, কোসোভো, কজখষ্টান, অজরবাইজান, মলেসিয়া, সিঙ্গাপোর, ফিলিপিন্স অমদি সোমালিয়ানচিংবা লৈবাক খরদা অচুম্বা পাউ ফোঙলুবা পাউমী কয়া অৱাবা মায়োক্লবগী থৌদোকসু লৈখ্রে। মালেমদা খ্বাইদগী চাওখৎলে হায়রিবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা ফাওবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইরগা ব্লুম্বর্গ ন্যুজ, দি এটলান্টিক, দি ন্যু য়োর্ক টাইমস, দি ৱাল ষ্ট্রীট জর্নেল, অমদি দি সীটল টাইমসনচিংবা মমিং লৈরবা পাউচে কয়া অঙকপা ফংনা অৱাবা মায়োক্লরি। কেনাদাদা মমিং লৈরবা সোল্টৱায়রনা ফোঙবা চয়োলগী চেফোঙ পূম্নমক মখা তানা চেফোঙ পুথোকখিদ্রে। নুমিৎ খুদিংগী ফোঙবা পাউচে মরি - দি ক্রোনিকল হেরাল্দ, কেপ ব্রেটন পোষ্ট, দি গার্জিয়ন অমসুং দি টেলিগ্রাম খক্তমক পুথোক্লবা থৌরাং লৌখৎখ্রে। য়ুনাইটেদ কিংদম অমদি ওষ্ট্রেলিয়াদসু চপ মান্নবা মওংদা পাউচে কয়া মখা তানা চেফোঙ পুথোকপা লেপখ্রে। ইন্দিয়াদসু মমিং লৈরবা মিদিয়া হাওস কয়ামরুম অঙকপা ফংনা অৱাবা মায়োক্লরি। মণিপুরগুম্বা লায়রবা ষ্টেটতা লৈরিবা মিদিয়া হাওসশিংনা থেংনরিবা অৱাবদি অমুক নৌহৌনা পল্লুদ্রবসু পূম্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। শিনফম খুদিংমক্তা লৈরিবা মীওইশিং অৱাবা মায়োক্লরবা তানফম অসিদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুপা ক্রোর লাক্ষ ২০গী ইকনমিক পেকেজ অমা লাউথোক্তুনা মীপূম খুদিংমক্কী অৱাবা কোকহন্নবগী মতাংদা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসি পূক্নিং থৌগৎনীংঙাইনি। অদুবু খুদোংথিনীংঙাই ওইরবা লায়না-লাইচৎ মরক্তা মথৌ পাঙথোক্লিবা পাউমীশিংগী য়াইফনবা থৌরাং অমত্তা ইকনমিক পেকেজদা য়াওরক্ত্রিবসি লাইবক থীবনি। অমুক্কা হেন্না লাইবক থীরিবদি মিদিয়া হাওসশিংনা লৈঙাক্কী এদভর্টিজমেন্ট ফোঙখিবগী অতোনবা শেনফম হৌজিক ফাওবা পীথোক্লবা হোৎনদ্রিবসিনি।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### পোক্নফম লমদমগী থৌগল তৌবগী চপ চারবা তানফম অমনি

**ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,**

কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লোকদাউন মখা তানা চৎথরকখিবনা লৈবাক মীয়াম্না শাথীনা ৱানা হিংনরিবা অসিদা খরদং ওইরবসু মতেং ওইনবা হায়দুনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা ষ্টেটশিংদা থাদরক্লিবা চেঙ মণিপুরদা লৈরিবা য়ূমথোঙ খুদিংদা পীনবা হোৎনবগী মহুৎতা পোলিটিক্স তৌনরকপা অসি লৈবাক অসিগী ওইনা লাইবক থীবা থৌদোক অমনি। শুপ্নগী কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মীওই ২ লৈরম্বা অদু নেগেটিভ ওইখ্রবা মতুং পোজিটিভ কেসকী মশীং ৭ হেনগৎলক্তুনা পূন্না কেস ৯ শুরে। লমদম অসিদা পোজিটিভ কেস মশীং য়াম্না হেনগৎলকপা য়ানসু লৈরি। মপান্দগী লাকপা মণিপুরীশিংবু ক্বারন্টিন সেন্টর কয়াদা থম্লিবা অসিদা মীওইবা অমনা হিংবদা তঙাইফদনা মথৌ তাবা পোৎলমশিং মরাং কায়না পীবিগদবনি। অদুবু ক্বারন্টিন সেন্টরগী মশীং হেনগৎলকপা অমদি মপান্দগী লাক্কদবা মীওই কয়া অমসু ৱাৎলি। পূম্নমক অসিনা লৈঙাক্তা চাওরবা পোৎলম অমসু ওইহল্লিবনি। মরম অদুনা লৈবাক্কী চিরবা তানফম অসিদদি পূম্নমক লৈঙাক্না তৌরকপা খক ঙাইদনা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা হাংদুনা লৈরিবা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা অঙম-অঙম্বা মতেং পাংদুনা মরৈবাক মরমদম অমদি ঈ অমত্তসু ওইরিবা ফুরুপশিংবু কনদবা য়াদে হায়বগী ৱাখল্লোলদা থবক তৌমিন্নবা অমদি পোক্নফম লমদম কংলৈপাক ঈমাগী থৌগল তৌবগী মতাং চারবা তানফম অমনি।

হৌরক্কদৌরিবা মীরোলশিংবু ঙাক শেনবা খক নত্তনা ফজরবা লমদম অসিগী চৎন-কাঙলোন কয়াবু কনবা হায়বসি ঐখোয় পূম্নমক্কী থৌদাংনি। ঙসি লৈবাক্কী চিরবা তানফম অসিদসু মশাগী কান্নবতা থিদুনা লৈবা মীওইশিংসু য়াওদবা নত্তে। ঐসু হিংসি অতোপ্পা মীওইবুসু হিংনবা হোৎনমিন্নসি। মদুনা অফবা তমজনিংঙাই ওইবা খুন্নাই অমা ওইবা হায়বদু ওইবা ঙমগনি।

*অদোমগী - দল্লিয়ু চাওবা, ময়াংলাজিং*

# গ্রীন-দগী য়েল্লো, য়েল্লো-দগী রেদ

চাইথোরকপা ৱাখল

**নরেন্দ্র নিঙোম্বা**

য়াম্না নুংঙাইরম্মী, য়াম্না হরাউরম্মী ঐখোয় গ্রীন জোন ওইরে হায়না। মালেমনা কিনরিবা কোভিদ-১৯দগী মণিপুর শ্বর খরা ফাওবদি হোন্দোক্লে হায়না। অদুবু চনীং তানা শ্বর হোনবা ঙমদ্রিঙেদা, গ্রীন-দগী য়েল্লো লাক্লে। য়েল্লো ওইরবা হায়বসি রেদ ওন্দৌ কুইদ্রবনি। হাপ্তা অমমুক্কী মমাঙদা ইন্দিয়াগী লুচিংবশিং, ষ্টেট কয়াগী চীফ মিনিষ্টর য়াওনা অমদি মীয়াম পূম্নমক্না মণিপুরবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎনবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লরকপা তাখি। মখোয়না হায়, মণিপুর হায়বসি য়াম্না দিসিপ্লিন লৈবা, মীপূম খুদিংমকশিং অসি থকসি-খাসি নাইবা, লোয়ননা লৈঙাক্কা য়াম্না নক্না খূৎশম্নুনা চৎমিন্নবা ঙাক্তনি, মখোয়দগী য়াম্না তমজনীংঙাই লৈ হায়না ফোঙদোক্লখি। ৱাহৈশিং অদু তাবদা কয়াদা লেমজনীংঙাই ওইখ্রবনো? ৱাহৈশিং অসি থোরক্লবগী মরম ওইরিবদি - মণিপুরদা লৈরম্বা পোজিটিভ অনী নেগেটিভ ওইখিবা, মীয়াম্না পোৎ-চৈ য়েনবা মতমদা য়াম্না থৌগল্লোন নাইবা, লাপ্না-লাপ্না টেবল থাদুনা ময়োম-ময়োম থল্লগা মীশিং অদুনা মখূৎনা ফংনা লৌহনবা অদুগা নিংথিবা থৌগল্লোনগা লোয়ননা খুরুম্বা অদু উবদা ইন্দিয়াগী মীপূম খুদিংমক ঙক্লখি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী লৈঙাক্তা য়াওরিবা মিনিষ্টরমক্না ফাওবা ভাইরেল ওইখিবা ভিদিও অদু তশেংনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

ঙসিদি মণিপুর, গ্রীন-দগী য়েল্লো ওল্লে। মশীং নোংমা-নোংমগী হেনগৎলকপা য়াবগী থাজবা অমদি অকিবা লৈ। মরমদি মপান্দগী চঙশিল্লক্লিবশিংসু ৱাখল তাবা য়াম্না ৱাৎপগী মমি তাই। মখোয় ময়াম পূনশিন্নদুনা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তবা, মরী লৈনবশিংনা পীরিবা এদভাইজরিশিং থওইদবা কয়া উবা ফংই। পূনশিন্নদুনা ঈশৈ শকপা, হরাউবা ফোঙদোকপা, খূবাক খুদুনা নুংঙাইথোকপা কয়া য়াওবা ভিদিওশিং ভাইরে ওইরক্লি। লোয়ননা জিরিবামদা থুংলরবা মতমদা অশোয়-অঙাম থোক্তনবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মায়কৈদগী অমদি ভোল্যুন্টিয়রশিংগী থৌশিল থৌরাংগী মতাংদা লাক্লিবা কাঙবুশিংনা থৌ ৱা শাদবা, মখোয়-মখোয়গী অনীংবা-অপাম্বদা তৌবা মানবগী মতৌ, মখোয়বু ঙাক শেল্লিবা অমদি মতম মাঙনা মীয়ামগী থবক তৌনবা করিগুম্বা মখল অমত্তগী খুদোংচাবা ফংদনা মীয়ামগী মতেং পাংলিবা ভল্যুন্টিয়রশিংবু মখোয়গী থৌগল তৌনবা অমদি মখোয়না পেমেন্ট পীরগা শীজিন্নবা য়াবা মীদৌনা তৌবগী এটিচ্যুদ লৈবা কয়া অমা য়াওখি হায়বগী পেন্দবা কয়া ফোঙদোরকপা লৈখি। মদুনা মী-মীশিং অদুগী এদিচ্যুদ ওইজরবসু। মখোয়গীদমক মতেং পাংনবা লৈরিবশিংবু এপ্রিসিএসন তৌবগী মহুত্তা শিংথানদবা হায়বসি মপোকঙৈদগী য়াওরল্লুবনি হায়না লৌবা য়াই। অহল-লমনশিংনা তাকপী-তম্বীরক্তবগী খুদমনি। মখোয় অদুনবু লাইরিক হৈরবনি হায়দুনা লৈবাক্কী অচৌ অশাং ওইরল্লুবা মতমদা লাইশুদি য়াওদ্রবনিনা তৌদৌরিসি করিনো? খুন্নাই অসি মথক মখা ওন্থোকপা তাবনি। মায়নি হৌজিক লৈরিবা লমদমসিগী অনৌবা মীরোলগী মেন্টেলিটি।

ওইরক্লিবা সিচুয়েসন অসিনা মপান্দা লৈবশিংনা ময়ূমদা হন্নীংবা হায়বসিদি মশানা তাবা ৱানি। অদুবু মখোয়-মখোয়গী মশাদা চেকশিনবা আমদি তুংদা করি ওইরকপা য়াবগে হায়বা অসি ৱাখল মুন্না খন্থবা অমা মথৌ তাই। মী কনাসু নানীংবা য়াওবদি নত্তে। অদুবু অশোয়বা মীকুপ অমদা ভাইরসনা খুদোংচাবা লৌহন্নবা তাঞ্জাদি পীদনবা ৱাখল তানা চেকশিনবা চঙই। ইন্দিয়াগী অচৌবা সিটিশিংদা অনাবগী মশীং য়াম্না হেনগৎলিবা অসি তশেংনা হায়রবদি মখোয়গী লম অদুগী মী ঙাক্তা নত্তে। তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী লাকপা, মহৈরোয়বু ওইরো, অতৈ থবক ইনখাং তৌবগীবু ওইরো ময়াম অমা য়াওরিবনি। অদুবু মশীং থিবদদি, ষ্টেট অদুগী মমিংদা থিবনা মশীং য়াম্না হেনগৎলকপনি হায়না লৌনৈ। অদুনা নারিবা ময়াম অদুদগী হেন্না শন্দোরক্তনবা মপানগী মীওইশিং য়ারিবমখৈ মখোয়-মখোয়গী লমদা থাদোকখিনবা থৌরাং লৌখৎনরিবনি। ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মতেংগা লোয়ননা শীল্লিবা থৌরাং অসিদা অশোয়বা-অরানবা হায়বদু খন্নবা ফৈ। লৈরি-লৈরিবা মফম অদুদা ক্বারন্টিন তৌদুনা চেকশিন্না থল্লগা, মঙোন্দা লৈরিবা ভাইরস অদু অতোপ্পদা শন্দোরক্তনবা থৌরাং লৌখৎপনা ফবরা নৎত্রগনা মখোয়বু মশা-মশাগী মরমদা থাদোক্লগা অতৈ অতোপ্পশিংদা অশোয় অঙাম য়াওবদগী তাঞ্জা ঙাইদুনা লৈরিবা ভাইরসশিংদা খুদোংচাবা পীদুনা শন্দোকপনা ফরিব্রা হায়বসি হৌজিক্তি মায়কৈ কয়াদগী হায়নবা হৌরক্লে।

ফীভম অসি শোয়দনা ওইরক্কনি হায়বসি মমাঙদগী হায়নদুনা লাকখ্রবনি। মরমদি মপান্দগী লাক্কদৌরিবা ইচা-ইনাওশিং অসিনা লাক্লবা মতুংদা ক্বারন্টিন তৌবগী মওং, স্ক্রিনিং তৌবগী মওং অমদি অতৈ ফেসিলিটি কয়াগী মতাংদা মমাঙদা এক্সপরিএন্স অমত্তা লৈত্রিবনা মরম ওইদুনা শোয়দনা অহো-অরাক লাক্কনি হায়বসি অদুম ময়াম মরক্তা খন্নদুনা লাকই। মদুনি হৌজিক তৌরিবসি। মণিপুরদা সী ভি-১৯ টেষ্ট তৌবগী ফেসিলিটি অসি য়াম্না লিক্না লৈরি। মখোয় হেক য়ৌরকপগা মেদিকেল স্ক্রিনিং তৌরবা মতুংদা মাগী মাগী ক্বারন্টিন সেন্টর অমদা থল্লগা, লোইনমক টেষ্ট তৌথোক্লগা নেগেটিভ ওইরবদি ময়ূম-ময়ূমদগী হেন্দোকহন্দনা থম্নবা মীয়ামগী মরক্তা হায়নখিবা লৈখি। কোলমসিমক্তদসু মমাঙদা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। অদুবু রিমস অমদি জেনিমসতা লৈরিবা টেষ্টিং সেন্টর অনী অসিদা নোংমদা কয়া য়াম্না টেষ্ট তৌবা য়াগদগে হায়বসি পারুরগদি য়াম্না লাইবক থীবনি। মরমদি স্পেসল ত্রেন অমা শীন্দুনা চবুন-চবুন লাক্লিবদু ঐখোয়গী নোংমদা টেষ্ট তৌবা ঙম্বগী ফেসিলিটি য়েংলগা মী পুশিল্লকপা য়াবা নত্তে। সেন্টর অনী অসিদা লৈরিবা মেছিন অমদি মসিগী ফেসিলিটি অসি খরা অপদেট তৌবা মতম থিল্লে। ঐখোয়গীসি টেষ্ট তৌবগী চাংসু য়াম্না ৱাৎলি হায়না লৌই, টেষ্ট তৌবা হেল্লিবমখৈ স্প্রেদ তৌবগী চাংসু তপথরক্কদৌরিবনি। অদুনা টেষ্ট তৌবগী ক্বালিটি অসি ফহনবা তাই। মতাং অসি মরী লৈনবশিংনা খরা কূপ্না য়েংশিনবা অমা চঙই। মেছিন মশীং হেনগৎহনগেরা, টেষ্টিং সেন্টর মশীং হেনগৎহনগেরা, ম্যেন পৱার হেনগৎপা মথৌ তাবরা করিনো হায়বদু খন্নবা অমা চঙলি। নৎত্রবদি লাক্লিবশিং অসি অমুক্তদা লোইনা টেষ্ট তৌবগী খুদোংচাবা লৈতবনিনা, নুমিৎ ১৪/২১নি ক্বারন্টিন তৌরগা ময়ূমদা থাবগী ফীভম লাক্লবদি গভর্ণমেন্ট অসিসু কোক হেন্না শাবা, মীয়ামদসু দিসক্রিমিনেসন অমদি পেনিক হেনগৎলকপা হায়বসি ময়েক্লা তারবা ৱাফমনি।


ময়ূমদা হল্লক্লিবা ইচা ইনাওশিং হল্লক্তবা য়ারোই, লৈহৌরিবশিংসু শোয়দনা হল্লক্লুবা সিষ্টম অমা শেম্বীগদবনি, ময়ূমদা হল্লক্তনা কদাইদা লৈরুগনি। অদুবু লাক্লিবশিংনসু খরা অন্দরষ্টেন্দ তৌবা চঙই। ওইরক্লিবা ফীভম অসি গভর্ণমেন্ট খক্তনা লোইনমক য়েংশিনবা ঙম্ফম থোক্তে। অদুগীসু মথক্তা লাইচৎ অসি মণিপুরগী নত্তে, মালেম শিনবা থুংনা থোক্লিবনি, ঐখোয়গীসিদগী হেন্না খুদোংচাদবা ময়াম অমসু শোয়দনা লৈরমগনি। অদুবু মতম মতমগী মতুংইন্না গভর্ণমেন্ট অসিনা পীরিবা এদভাইজরি অমদি ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেননা পীরিবা গাইদলাইন পূম্নমকশিং অসি ঐখোয়না ইনবা মথৌ তাই। অদুনা লাকপীবদসু, য়ৌরল্লুবদসু, করি-করি তৌফম থোকপগে হায়বদু মীঙোন্দা ঙাক্তা হায়বদি গভর্ণমেন্টতা ঙাক তাইনদুনা লাউ-খোংবগী মহুত্তা, ইশা-ইশানসু খরা হেন্না চেকশিনবীবা মথৌ চপ চানা তাই। মসিদি ইনাক খুনবা-লায়রবা, অচৌবা-মচা খায়বা লায়না লাইচৎ নত্তে। মপান্দগী লাক্লিবা পেরেন্টশিং অমদি ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনসু য়াম্না ৱাখল তাবা অমা চঙই। গভর্ণমেন্ট অসিনা য়াম্না ৱানা মখোয়গী মেছিনরি শীজিন্নবা কোন্নদদুনা লন্নাই পেদ এমপ্লোয়ী নত্তবা ভোল্যুন্টরি ওর্গনাইজেসনশিং য়াওনা মতেং পাংলিবা অসিদা করি করি মতেং পাংশিনবা য়াবগে হায়বা অদু খন্থমিন্নবা চঙই। মচা-মনাওশিংবু মপান্দগী পুশিল্লক্লুবা শীল্লু, পুরক্লগসু অৱাৎ-অপা অমত্তা লৈতনা য়ূম্না নুংঙাই-য়াইফনা থমদবা য়ারোই, সি ৱাৎলে, সি তৌরে হায়বগী মহুত্তা, মখোয়নসু অঙম্বা মতেং পাংবা য়াই, ইশম শম্না ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈরিবশিংগা তানরগা ব্লাঙ্কেটপু ওইরো, মোস্কিটো নেটপু ওইরো, লোইনমক অসি মতেং পাংনবা য়াবা ঙাক্তনি। পেদ হোটেলগুম্বদা লৈহন্নীংবা ওইরগসু ঐখোয়গীদি অসুম্না শীনবীয়ু হায়না হায়বনবু হেন্না ফরব্রা খল্লি। নত্তদুনা অসুক ৱানা শীল্লিবা অসিদা পংহায়দা হায়বদু তাবদা নুংঙাইতে হায়বসি গভর্ণমেন্টকী ৱা নত্তনা মীয়াম্না হায়নরক্লি।

সী ভি-১৯ অসিদি ঐখোয় শ্বাই মণিপুরগী ৱা নত্তনা মালেমসিদা মতম শাংনা লৈখিগনি। ঐচ আই ভি/এইদস হৌজিক মালেমসিদা লেংদনা লৈরি। মতমদুদা হীদাক পুথোক্লনি, ভেক্সিন লাক্লনি ফনা য়াম্না হায়নখি, ত্রাইসু হৌজিকফাওবা সাইন্টিষ্ট কয়ানা লেপ্তুনা তৌরি, অদুবু হীদাকতি পুথোকপা ঙমদ্রি। ঐচ আই ভি/এইদসসু লৈরি মীয়ামগা পূন্না হিংমিন্নরি। সী ভি-১৯ অসিসু হীদাক পুথোক্লনি হায়না ত্রাই ময়াম অমা তৌনরি, ঙম্বা-ঙমদবা হায়দুদি মতমনা পুরক্কনি। শোয়দনা ঙমনি হায়বগী ৱাসু লৈতে, পুথোকপা ঙমদবসু য়ারিবনি। অদুনা পূন্না হিংমিন্নবদা ঐখোয় ইশাদা করম্না চঙহল্লোইদগে হায়বা অদুগী কাঙলোন অদু চুম্না চৎনবা ইশাদা হৈনবী অমা থম্নবা হোৎনরগা লোইরে। অদুগা লোকদাউন সুম তৌদুনা লৈরগসু সী ভি-১৯ হেক্তা ফহনবদি ঙমগনি হায়বা ঐমক্তি কয়া থাজজদে। তৌরিবসিসু ফদি ফৈ, অদুবু তৌদনা পূন্না হিংমিন্নবা মতম অমসু লাকখিনি হায়না খল্লি। ●

# শেল ইচং চঙহন্দনা এমোনিয়া শুংলবা মতুংদা য়ুরিয়া পুথোকপা

সাইন্সকী খোঙচৎ

**কুঞ্জো নাওরেম**





এম আই টিগী ঈশিংদগী হায়দ্রোজেন লৌরগা এমোনিয়া শুংনবা খুৎলাইশিং

য়ুরিয়া হায়বসি লৌমীশিংনা পাম্না শীজিন্নবা, নাইট্রোজেনগী চাং খ্বাইদগী য়াম্না য়াওবা হার মখল অমনি। মসিগী কেমিকেল ফোর্মুলানা [$CO(HN_2)_2$] নি। লৌউ-শিংউগী লম্দা শীজিন্ননবগীদমক ইন্দষ্ট্রিদা য়ুরিয়া অসি এমোনিয়া অমসুং কার্বন দাইওক্সাইদতগী শুংই। কার্বন দাইওক্সাইদসি নুংশিৎতা য়াওই, অদুবু চাং য়াম্না নেম্না য়াওই - ০.০৩৩ গুম্বখক্তনি। মরম অসিনা, কার্বন দাইওক্সাইদ অসি নুংশিৎতগী শীজিন্নবা য়াদবনা, খূৎশেমগী পাম্বৈনা শুংবা তাই। অদুগা এমোনিয়াসিনা নেচরেল গ্যাস (মিথেল) তগী মরুওইনা শুংই। অদুবু এমোনিয়াবু নেচরেল গ্যাসতগী শুংবা মতমদা কার্বন দাইওক্সাইদ অমসুং কার্বন মোনোক্সাইদ থাদোরকই। কার্বন মোনোক্সাইদসি অমুক কার্বন দাইওক্সাইদতা ওন্থোকই। মসিগী মতুংদা কার্বন দাইওক্সাইদ পূম্নমক ফাজিল্লগা য়ুরিয়া শুংবদা শীজিন্নে। নেচরেল গ্যাসতগী হকথেংননা এমোনিয়া ফংহনবা ঙমদে, হায়বদি নেচরেল গ্যাসপু কেমিকেল রিএক্সনশিংগী মতেংনা হায়দ্রোজেন, কার্বন দাইওক্সাইদ অমসুং কার্বন মোনোক্সাইদতা হান্না ওন্থোকই। অসুম্না ফংলক্লিবা হায়দ্রোজেন অসিগা নাইট্রোজেনগা রিএক্সন থোকহন্দুনা এমোনিয়া শুংই।

নাইট্রোজেনসি নুংশিৎতা মরাং কায়না য়াওই (৭৮% মুক), অদুনা নাইট্রোজেনদি নুংশিৎতগী লৌথোক্লগা শীজিন্নে। হৌজিক য়ুরিয়া শুংবগী ইন্দষ্ট্রিশিংদা তৌরিবসি, নাইট্রোজেন অমসুং হায়দ্রোজেনবু য়োৎনা কেটলিষ্ট ওইনা শীজিন্নরগা, 'হাবর-বোশ প্রোসেস'কী মতেংনা এমোনিয়া শুংবনি। অসুম্না এমোনিয়া শুংবসি অরাইবা থবক নত্তে, শেল অমসুং এনর্জি য়াম্না চঙই। মরমদি নাইট্রোজেন হায়বসি রিএক্সন ইথোক থোক্কন্দবা ইলিমেন্ট অমা ওইবনিনা, হায়দ্রোজেনগা রিএক্সন থোকহন্নবগীদমক, দিগ্রী সেলসিয়স ৫০০ য়ৌনা শাহনবা অমসুং প্রেসরনা এটমোস্ফিয়র ২০০গী চাংদা পীশিনবা তাই। অসুম্না এমোনিয়া শুংবগী থবকসি স্মোল-স্কেলদা পাঙথোকপা য়াদে, অখন্নবা মফম খরদা অমসুং য়ুরিয়া শুংফমগা নক্লবগী মথৌসু তাই। অসিগুম্বা খুদোংচাদবশিংসি কোকহন্নবগীদমক মসাচুসেটস ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি (এম আই টি) গী থিজিল্লোয়শিংনা থিজিন্দুনা লাকপদগী হাবর-বোশ প্রোসেস নত্তবা শেল চঙবগী চাং হন্থবা, স্মোল স্কেল অমসুং খুঙ্গংগী লম নৎত্রগা লৌমীশিংগী লূপশিংনা পায়খৎচবা য়াবা পাম্বৈ অমা পুথোক্লে হায়রি। মখোয়গী পাউদমসি 'নেচর কেটলিষ্ট' (মে, ৪) দা ফোঙখিবনি।

মোনসুন হৌরকপদগী মণিপুরগী অয়াম্বা লৌবুকশিংদা থানরিবসি ফৌনি। মতম অসিদা য়ুরিয়া ফংদবগী ৱাথোক থোক্তবা চহী য়াওখিদে হায়না লৌবা য়াই; ফংলগসু তাঙমনবদগী মীগী লৌশাল উবা লায়রবা লৌমী কয়াদি লৈবা ঙমদবগী অৱাবা মায়োক্লরিবনি। মসিগী মরুওইবা মরমদি ইকোনোমিক ব্লোকেদ, চীং নিংখায়বা, থোং লানবা য়াদবা অসিনচিংবা পামদবা থৌদোকশিংনা মরম ওইরগা য়ুরিয়া পুশিল্লকপা য়াদবা অসিনি। মণিপুরদা পুশিল্লক্লিবা য়ুরিয়াসি অসামদগীনি। অসামদা মমল হোংলবসু পুথোক-পুশিনগী মমল, শেনখায়-থুমখাই, টেক্স কয়ানা মরম ওইরগা মণিপুর য়ৌরকপদদি তাঙনা ফংলে। অদুবু হন্দক এম আই টিগী থিজিন লূপ অসিনা পুথোরক্লিবা পাম্বৈ অসিনা মায় পাক্না শীজিন্নরকপা মতমদদি, কম্যুনিতি, লূপ নৎত্রগা খুঙ্গং অমদা য়ুরিয়া শুংবা য়াগদৌরবনিনা অসিগুম্বা খুদোংচাদবশিংসি লৈররোই অমসুং মমলসু হোংলগনি। মসিমক লায়রবা লৌমীশিংদা তম্বা অচৌবা খুদোল অমা ওইরবা য়ারি।




যুরিয়াগী কেমিকেল ষ্ট্রকচর

হাবর-বোশ প্রোসেসতা হায়দ্রোজেন অমসুং নাইট্রোজেন রিএক্সন থোকহন্নবগীদমক য়াম্না শাবা মৈশা অমসুং য়াম্না ৱাংবা প্রেসর মথৌ তাবা মতমদা, এম আই টিগী লূপ অসিনদি ইলেক্ট্রিক এনর্জি শীজিন্নরগা রিএক্সন অসি থোকহল্লি। ইলেক্ট্রিকেল ভোলটেজ অমা পীশিন্দুনা রিএক্সনদু ইকুইলিব্রিয়ম ওইবা ফীভম অমদা পুরক্তুনা নাইট্রোজেন অমসুং হায়দ্রোজেন্দগী এমোনিয়া পুথোকপা ঙম্মী। অদুবু মখোয়গী অহানবা চাংয়েংদদি থৌওংদু শেল য়াম্না চঙবা ওইখি অদুগা সষ্টেনেবলসু ওইহনবা ঙম্লমদে। নাইট্রোজেন মোলিক্যুল অমদা নাইট্রোজেন এটম অনীবু কোভেলেন্ট বোন্দ অহুম্না ফাজিন্নে। অসিগুম্বা কল্লবা বোন্দসিবু লিথিয়ম কেটলিষ্ট শীজিন্নরগা নোর্মেল টেম্পেরেচর অমসুং নোর্মেল প্রেসর (এটমোস্ফিয়র ১) দা থুগাইরগা রিএক্সন থোকহল্লি। মসিদগী ফংলকপা লিথিয়ম নাইট্রাইটকা ওর্গানিক সোলভেন্ট অমদা য়াওবা হায়দ্রোজেনগা রিএক্সন থোকহন্দুনা এমোনিয়া ফংহল্লি। অদুবু মসিদা শীজিন্নরিবা সোলভেন্ট তেত্রাইহায়দ্রোফুরান নৎত্রগা টি ঐচ এফসি মমল তাঙই অদুগা রিএক্সনসি থোকপা মতমদা মসি শীজিন্নখিবা মরম্না মতম মতমগী ওইনা হাপচিনবগী মথৌ তাই। অদুনা এম আই টিগী থিজিন লূপ অসিনা তেত্রাহাইদ্রোফুরানগী মহুত্তা হায়দ্রোজেন গ্যাস ওইনা শীজিন্ননবগী মঙ মঙবা হৌরকখি।

মসিগীদমক মখোয়না জালি/লাং মানবা ইলেক্ট্রোদ অমা শীজিন্নে। মসিগী মনুংদা নাইট্রোজেন গ্যাসনা চাইখাইখিদুনা হায়দ্রোজেনগা রিএক্সন থোকই অদুগা ইলেক্ট্রোদকী লৈমায়দা ইথানোল/ইথাইল অলকোহোল ওইনা তুমখি। ষ্টৈইনলেস ষ্টীলনা শাবা লাং মানবা শক্তমসিদা সোলুসন্দা য়াওরম্বা লিথিয়ম কেটলিষ্টতু নপশিল্লকই। লাংগুম্বা ইলেক্ট্রোদতুগী মফম শিনবা থুংনা চাইথোক্তুনা লৈরিবা নাইট্রোজেন গ্যাসনা লিথিয়মগী মতেংনা হায়দ্রোজেনগা রিএক্সন থোক্তুনা এমোনিয়া শেম্লকই। মসিগী রিএক্সনসি চাং ৱাংনা থোকই।

এম আই টিগী থিজিন লূপসিনা পাঙথোকখিবা চাংয়েংশিংদা, গ্যাস সিলিন্দরদগী থাদোরকপা নাইট্রোজেন অমসুং হায়দ্রোজেন গ্যাসশিং শীজিন্নখি। অদুবু মখোয়গী মখা তারকপা চাংয়েংশিংদা হায়দ্রোজেনবু ঈশিংদগী শুংদোকপগী মতাংদা পাঙথোকখি। মসিদনা মখোয়না অহানবদা ঈশিংবু ইলেক্ট্রোলাইসিস তৌরগা থাদোরকপা হায়দ্রোজেন্দু মখোয়গী ইলেক্ট্রোকেমিকেল রিএক্টরদা থাজিল্লি। মখোয়গী চাংয়েংসিদা শীজিন্নখিবা খূৎলায়দু পীকই অদুগা ফাল অমগী মথক্তা থম্বা য়াই। অদুবু এমোনিয়া মরাং কায়না পুথোক্লবগীদমক্তদি মোদ্যুল কয়ামুক শমজিন্নবগী মথৌ তাই হায়না থিজিন-চেরোলদু মপূং ওইনা ইখিবা গ্রেজুয়েট মহৈরোয়, নিকিফার লাজৌস্কিনা ফোঙদোক্লি। হাবর-বোশ প্রোসেস রিএক্সন্দা এনর্জি ইফিসিয়েন্সিসি ৫০-৮০%নি, অদুবু মখোয়গী অসিদদি হৌজিক্কী ওইনা ২% খক্তমক ওইরি। মসিগী মরুওইবা মরমদি রিএক্সনশিংসি থোকহন্নবা হোৎনবদা এনর্জি য়াম্না মাঙখি। মসিগী খুদোংচাদবসি লৈতনবগীদমক মখা তানা থিজিনবগী মতৌ তারি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোক্লি। ●




হাবর-বোশ প্রোসেসনা য়ুরিয়া শুংবগী মওং তাকপা

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।